# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
## (DATE 04-01-2025)

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কাংপোকপীগী এস.পি. ওফিসতা মফম অদুগী মীয়ামনা এট্টেক চথুরকপদা জিলা অসিগী এস.পি.মনোজ প্রভাকর শোক্লে।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়-সাইবোল ভিলেজতা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থমজিল্লকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কোটুনা শিনদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা হিংশা য়াওরকপদগী খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা নুঙনা থাজিনবা অমসুং পেত্রোল বোম লংশিনবা য়াওনা অকনবা এট্টেক চথুরকপদা এস.পি. অদু শোকখিবনি। থৌদোক অদুদা গাড়ি খরসু অমাঙ অতা থোকখি। অপুনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী কাংবু অমনা ইরাং অদু লাকশিল্লে। মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংসু থমলে হায়রি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা লেপত্রি।

কাংপোকপী জিলাগী লোইবোল খুনৌদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী স্নাইপ্পর রাইফল অমা, শেমদোক্লবা শান্না কাপ্পা য়াবা পোম্পী মোটার অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অহুম, টুয়েল্ব বোর নোংমৈ অমা, এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, এন্টি রাইৱট পিকেট গ্রেনেদ অহুম, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ অনি অমসুং ৱয়ারলেস সেট অমা ফাগৎলে।

**এমএসএমসি (এল)ঃ** মাইক্রো স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস-টেকে ালোজি সেন্টর ইম্ফালগী দিপ্যুতি দাহরেক্তর-ডা: সিনাম য়োইরেনতোম্বনা

হায়রি-মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদম পুন্বা ইন্দো-বরমা বাইও-দাইবরসিতি হোট স্পোটকী মনুং চনবা মরমনা লমদম অসোমদা ফংলিবা হিদাক কান্নবা পান্বী অমসুং মনম নুংশিবা পান্বীশিং অসি নীংথিনা শিজিন্নদুনা শেন্থোক লৈনা হিংনবা হোৎনবা য়াই।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা ডা: য়োইরেনতোম্বনা হায়-টেকোলোজি সেন্টর অসিনা মশানা মশাবু থবক পীজনিংবা নহারোলশিংদা এগ্রো টেকোলোজিদগী হৌরগা মখোয়না পুথোক্লিবা পোৎলমশিং অদু য়োনবা ফাওবগী মতাংদা ত্রেন্নিং কয়া পীদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা ইপা ইপু হাক্ততগী পান্বীশিং অসিবু অনা লায়েং য়াওনা লম কয়াদা শিজিন্নরক্লিবা অদুগী মতাংদা নীংথিনা থিজিন্দুনা রিছার্স তৌবা য়াননবা থৌরাং চৎলিবা চহি অসিদা সেন্টর অসিদা ফংলগনি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** মীওইবনা মশাগীতা খন্দুনা পাক শন্না উমং ৱামং কোকথোরকপদগী মহৌশাগী খলদা অকায়বা থোরক্তুনা ঙসিগী মীরোলদা চাউনা চৈথেং ফংবা হৌরে। মসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী ওইনা শাবগী চাং হেনগৎলকপগী থৌওং কয়াসু লেপ্তুনা থোরক্লি।

মনিপুরদসু গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং ফংবা হৌরে। রাজ্য অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ইংবা জিলাশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা উখ্রুল জিলাদা হৌজিক ইংলিবা চাং অসি মমাংঙৈগা য়েংনবদা খরা হন্থরক্লে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-নীংথম থাগী মতম ওইবনা ইংবদি অদুম্মক ইংলি অদুবু মমাংঙৈগী উন তাদুনা খম থেংনা ইংবা অদুদি ওইদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা জিলা অসিগী মীয়ামনা উখ্রুল অসি উখ্রুল মানদ্রে হায়নরে।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** অনিশুবা অংলিং ফেষ্টিবেল, তমেংলোং জিলাগী তামৈ সব-দিভিজনগী মনুং চনবা রিয়াংরোং ভিলেজতা চহি অসিগী মার্চ ১৯ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

রাজ্যগী ফিসরিজ দাইরেক্তর-বালকৃষ্ণ হৈস্নামনা হায়-বরাক তুরেলগী শরুক অমা ওইরিবা মফম অদুদা খুঞ্জাশিংনা হৌখিবা চহি তরুকলোম তোঙান তোঙানবা ঙা মখল কয়া ঙাক শেন্দুনা থম্লি। হায়রিবা মফম অদুদা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

**কন্দোল (এল)ঃ** লমদম অসিগী শকাইরবা অইবা, ৱারী লীবা অমসুং কলচরেল এক্তিভিষ্ট -চানা লুখোইনা লৈখিদবদা নোর্থ ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (ন্যুকো) না থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

লুপ অসিনা শিনদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোংদোকপগী মীফমদা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

**চৌহানঃ** রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-শিবরা সিংহ চৌহাননা হায়রি-মহাক্কী মন্ত্রালয়না খুঙ্গংশিংদা লাইরবা কোকহন্নবা চহি অসিদা কন্না হোৎনগনি।

রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রিশিংগা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা মীফম পাঙথোকপদা শ্রী চৌহাননা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। লৈবাক অসি শেমগৎপদা খুঙ্গংশিংনা লৌরিবা থৌদাং অমসুং মদুনা মালেমগী মমাংদা ভারতপু মতৌ তমজনিংঙাই ওইরবা লৈবাক অমা ওইহল্লকবগী ৱাখল্লোন কয়া মন্ত্রিনা মীফম অদুদা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-মমাং চহিগী জন থাদগী হৌজিক ফাওবদা এম.জি-নরেগাগী থবক শুবগী মতম নুমিৎ কোতি ১৩৬ ফংখ্রে। মসিনা খুঙ্গংগী লমদা তোঙান তোঙানবা থবক লাখ ৫৪ লিশিং ৭৩ শুবা লোয়খ্রে।

**মনশুখঃ** ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী মংলান অসি মংফাওনহন্নবা হোৎনবদা নহারোলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌননবা কেন্দ্রগী লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়ানা তকশিল্লি।

গুজরাটকী সুরটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসি মাংলোমদা খোংজেল য়াংনা চৎখৎপা ঙমবা হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু লুচিংবা অমা ওইরকপা ঙমনবা মখোঙ শোন্বীবগী তঙাইফদবা লৈ।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আজয় কুমার ভাল্লা, মনিপুরগী গভনর ওইনা ৱাশক লৌখিবা, কাংপোকপী দি.সি. অমসুং এস.পি. ওফিসতা এট্টেক চথরকপদা এস.পি. য়াওনা মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আজয় কুমার ভাল্লা মনিপুরগী গভনর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। ইরাং লাকশিনবা জি.ও.সি. থ্রি কোরগা উন্নখ্রে হায়না মনিপুর ন্যুজকী অহানবা হেদলাইনদা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, মনিপুর মেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, পোকফম পাউচেশিংদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা অমসুং হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, সনা লৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউশিংদনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গভনর-আজয় কুমার ভাল্লা মনিপুরগী ফিভম নীংথিনা খঙবা মীশকনি, অথুবদা মনিপুরদা শান্তি হনজিল্লক্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মনিপুর ন্যুজকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি খুৎলায় পায়বশিং য়াওনা কাংপোকপী দি.সি. অমসুং এস.পি. ওফিসতা লান্দাখ্রে। এস.পি. মনোজ প্রভাকর শোক্লে, কুকি টেরোরিষ্ট অনিসু

শোক্লে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা চাউনা ফোংলি। পাউ অসিসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-নুঙ, মৈহুম লংশিনদুনা কাংপোকপী এস.পি. ওফিসতা লান্দাখ্রে, এস.পি. য়াওনা পার্সোনেল কয়া শোক্লে। ইরাং লাকশিনবদা মীওই ১৫ শোক্লে হায়বা হেদলাইন অসিগা লোয়ননা কাংপোকপীগী ইরাং লাকশিন্নবা অহেনবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং ইম্ফালদগী থাজিনখ্রে হায়বা সব হেদলাইন অসিনা অহানবা পাউ ওইরি।

বোর্ডর ফেন্সিং খাবগী থবক কংগ্রেসকী মতমদা হৌরম্বনি হায়না সি.এল.পি. লিদর-ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকপা ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লাল্লে হায়জখিবদু ইরাংনা শোকহল্লবশিংদনি, মিলিটন্টৈশিংদা নত্তে হায়না সি.এমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী ইরাং লোয়শিন্নবা নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি (এন.সি.পি) না পি.এমদা তকশিল্লগনি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মোটোর ভেহিকল এক্ট থুগায়বশিংদগী ফাইন ওইনা মমাং চহিদা লুপা লাখ ৪৯ লিশিং ৭৬ কী ই-চালান ককখি হায়না ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিং মনিপুরগী এস.পিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

প্রাইভেট হেলথ পার্টনরশিং হেন্না শরুক য়াহন্দুনা হেলথ ফেসিলিতিশিংগী ফিভম ফগৎহল্লগনি হায়না হেলথ মিনিস্তর-ডা: সাপম রঞ্জননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।